# সাইনা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টসকী এদমিসন পোলিসি শেমদোক্তুনা অফবা শান্নরোয়শিংগী সিট ৪৬ খাকখ্রে



ন্যু দিল্লি, মে ২৭ (এজেন্সী):
স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা ঙসি ফোঙদোকখিবা ৱারেপ অমদা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টসকী এদমিসন পোলিসি শেমদোক্তুনা মখা তারকপা পঞ্জাবকী পটিয়ালাদা লৈবা ইন্সটিট্যুট অদুদা চহীগী ওইনা মীং চন্নবগীদমক হান্না লৈরম্বা কাঙলোনশিং শেমদোকখ্রে। মমিং লৈরবা শান্নরোয় ৪৬তা খুদোংচাবা হেন্না পীরগনি হায়খ্রে।
স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখিবা অনৌবা ৱাফম অসিনা পটিয়ালদা লৈবা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টসতা লৈবা তোঙান তোঙানবা মমিং লৈরবা দিপ্লোমা কোর্সশিংদা মহৈ মশীন তম্নবগীদমক ওনলাইন এগজামিনেসন্দা হান্না লৈরম্বা সিট মশীং হেনগৎপগা লোয়নন্না মমিং লৈরবা এথলেট ৪৬তা অহেনবা খুদোংচাবা পীদুনা দাইরেক্ট এন্ত্রি পীরগনি হায়রি।
স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা শেমদোরকপা এদমিসন পোলিসি অদুদা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টসকী একাদেমিক কাউন্সিলনা অয়াবা পীদুনা হান্না লৈরম্বা সিট মশীং ৫৬৬তগী অনৌবা সেসনগী ওইনা সিট মশীং অদু ৭২৫দা হেনগৎখিবনি।
মসিগী মনুংদা ইন্দিয়াগী ওইনা তোঙান তোঙানবা শান্নরোয়শিংনা ইন্টরনেসনল স্পোর্টস কম্পিটিসনশিংদা মরু ওইনা ওলিম্পিকস্তা শরুক য়ারুবা মেদল ফংলক্লবা নৎত্রগা এসিয়ন অমদি কম্মনৱেল্ট গেমসশিংদা গোল্ড মেদল ফংখ্রবা শান্নরোয়শিংদা রিটন টেষ্ট অমদি ইন্টরভিয়ু য়াওদ্রবসু দাইরেক্ট এদমিসন পীবগী খুদোংচাবা লৈরগনি হায়না স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।
মখা তানা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শেমদোকখিবা এন আই এসকী এদমিসন পোলিসি অসিদা হান্না শান্নরোয় অমনা ইন্সটিট্যুট অসিদা মীং চনবা মতমদা গ্রেজুয়েসনগী থাক্তা লোইশিনখ্রবা মীওই খক্তমক লৌরম্বা অদু হন্দক্কী অনৌবা পোলিসি অসিদা মেত্রিকুলেসন লান্থোকপা ঙল্লবা শান্নরোয়শিং ইলিজিবল ওইরগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।
অহানবা ওইনা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা পঞ্জাবকী পটিয়ালাদা লৈবা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টস অসিদা মীং চন্নবগীদমক পাঙথোকপা এন্ত্রান্স এগজামিনেসন অদু ওনলাইন্দা পাঙথোক্কদৌরি।
ইন্সটিট্যুট অসিদা মীং চনগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদু মমাঙদা চহী ২৩না খ্বাইদগী নেম্না লৈরম্বা অদু ২১দা হন্থখি। চহী হন্থরকপগা লোয়ননা মমিং লৈরবা নহা ওইরিবা ইন্দিয়াগীদমক্তা মীংচৎ পুরকপা ঙমখ্রবা শান্নরোয় ৪৬কী ওইবা অকক্লবা সিট মশীং খাক্তুনা থম্লি।
হায়রিবা শান্নরোয়শিং অসি তোঙান তোঙানবা স্পোর্টস দিসিপ্লিন ২৩দা রিটন এগজামিনেসন নৎত্রগা ইন্টরভিয়ু য়াওদ্রবসু অদুমক ইন্সটিট্যুট অসিদা মীং চনবা য়াগদৌরিবনি।
হান্না পীরম্বা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টসকী এগজামিনেসনগী মার্কিং সিষ্টম অদু রিটন এগজামিনেসন্দা অনৌবা হীরম অহুম হাপচিনখি। হায়রিবা হীরমশিং অদুদি লোজিকেল রিজনিং অমদি কোচিং এটিট্যুদ, কম্যুনিকেসন অমসুং বেসিক কম্প্যুটর নোলেজনি। হায়রিবা হীরমশিং অসি অপূনবা মার্ক ১০০গী রিটন এগজামিনেসন্দা য়াওগদৌরিবনি।
স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না ওল ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিটি গেমস/খেলো ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিটি গেমস/সেনিয়র নেসনল চেম্পিয়নশিপ্তা অমুখক শরুক য়ারুরবা মীওইশিংনা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টস পটিয়ালাগী এদমিসনগীদমক্তা এপ্লাই তৌবা য়াহনগদৌরি।
অমরোমদা, খেলো ইন্দিয়া স্কুল গেমস, য়ুথ গেমস অমদি য়ুনিভর্সিটি গেমসতা শরুক অনীরক য়ারুরবা শান্নরোয়শিং অদুসু এপ্লাই তৌবা য়াহনবগী অনৌবা পথাপ অমা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা শেমগৎলক্লি।
অমরোমদা, নোর্থ ইষ্টতা লৈবা এথলেটশিংগী অখন্নবা পেকেজ অমা ওইনা ইন্টর সর্ভিসেস, ইন্টর রেলৱে চেম্পিয়নশিপ অমসুং পুলিস গেমশিংদা শরুক য়ারুবা মফম অসিগী শান্নরোয়শিংনা নেসনল স্পোর্টসকী তোঙান তোঙানবা লৈরিবা দিসিপ্লিনশিং অসিদা মীং চনবগীদমক এপ্লাই তৌবা য়াগনি হায়রি।
নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টস অসিদা কোচশিংগী ওইবা অনৌবা ক্রাইটেরিয়া অমা পীদুনা হান্না লৈরম্বা প্রেক্টিকেল টেষ্টতা মার্ক ২০ লৈরম্বা অদু হন্থরগনি। লোয়ননা মীওই অদু ওল ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিটি গেমসতা শরুক য়াবা শান্নরোয় অমদি ওইগদবনি হায়রি।

বুন্দেসলিগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# হান্নগী চেম্পিয়ন বয়ার্ন ম্যুনিকনা বোরুসিয়া দোর্টমুনবু মায়থীবা পীখ্রে, ৱোল্ফসবর্গনা বেয়র লেবরকুসনবু ৪-১দা থোইখ্রে



বর্লিন, মে ২৭ (এজেন্সী):
জর্মনিগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা বুন্দেসলিগাগী মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন ওইরিবা বেয়র্ন ম্যুনিকনা বোরুসিয়া দোর্টমুনবু মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেচ অমদা ৱোল্ফসবর্গনা বেয়র লেবরকুসনবু পাঞ্জল ৪-১দা থোইখ্রে।
ঙরাং শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ২৮শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা মমাঙগী চেম্পিয়ন ওইরিবা বেয়র্ন ম্যুনিকনা বোরুসিয়া দোর্টমুনবু অকনবা লম্বা অমদা পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।
মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৪৩শুবা মিনটতা বেয়র্ন ম্যুনিককী মায়কৈদগী জোসুৱা কিমিসনা চনখি। লীগ টেবল অসিগী ওইনা বোরুসিয়া দোর্টমুন মমাঙগী মেচ ২৭ শান্নবদা পোইন্ট ৫৭ ফংদুনা টিম ১৮গী লম্বা অদুদা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈখিবনি।
ঙরাংগী মেচ অদুদা বেয়র্ন ম্যুনিকনা মখোয়গী মথক্তা অহানবা হাফতা পাঞ্জল অমা চনশিনখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফতা পাঞ্জল হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু বেয়র্ন ম্যুনিক্কী মায়কৈদগী দিফেন্দরশিং অদুনা মখোয়গী হাফতা বোরুসিয়া দোর্টমুনগী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা বোলশিং অদু ঙাকথোকপা ঙম্বদগী মখা তাবা পাঞ্জল লৈনদনা বয়র্ন ম্যুনিকনা ১-০দা থোইখি।
ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা ৱোল্ফসবর্গনা বেয়র লেবরকুসেনবু য়াম্না চাউনা পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।
ৱেলল্ফসবর্গকী টিম অসি ঙসিগী মেচ অসিগী মাঙওইননা পোইন্ট ৩৯ ফংদুনা লৈরম্বনি। অমরোমদা বেয়র লেবরকুসন পোইন্ট ৫৩ ফংলগা মঙাশুবা পোজিসন্দা লৈখি।
মেচ অদুগী অহানবা হাফ হৌরকপদা টিম অনীমক লম্বা মান্ননা শান্নবা ঙমখ্রবসু ৪৩শুবা মিনটতা ৱোল্ফসবর্গকী মায়কৈদগী মেক্সিমিলন অর্নোল্ডনা পীরকপা বোল অমদা মারিন পোনগ্রাসিকনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা একাউন্ট হাংদোকখি।
হাফ অদু লোইশিনখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফকী মিনট ১৯ চঙশিল্লকপদা ৱোল্ফসবর্গগী মায়কৈদগী মেক্সমিলননা অনীশুবা পাঞ্জল চনখি। ৬৮শুবা মিনটতা টিম অদুমক্কী অতোপ্পা শান্নরোয় রেনাটো ষ্টেফেননা অহুমশুবা পাঞ্জল হাপচিল্লবা মতুং ৭৫শুবা মিনটতা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা মারিননা ৱোল্ফসবর্গকী মরিশুবা পাঞ্জল চনখি। শান্নবগী ৮৫শুবা মিনটতা লেবরকুসনগী মায়কৈদগী জুলিননা পাঞ্জল অমখক হন্দোক্লগা মেচ অদু ১-৪দা মায়থীখি।
অতোপ্পা মেচ অমদা এন্ত্রাক ফ্রেঙ্কফর্ট অমসুং ফ্রেবর্গ লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ৩-৩ চন্নদুনা দ্রো চৎখি। অদুগা ৱার্দর ব্রিমেন অমসুং বোরুসিয়া মোঞ্চেন গর্বাক শান্নবদা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | FC Bayern München | 28 | 20 | 4 | 4 | 81 | 28 | 53 | 64 |
| 2 | Borussia Dortmund | 28 | 17 | 6 | 5 | 74 | 34 | 40 | 57 |
| 3 | RasenBallsport Leipzig | 27 | 15 | 9 | 3 | 68 | 27 | 41 | 54 |
| 4 | Borussia Mönchen | 28 | 16 | 5 | 7 | 53 | 34 | 19 | 53 |
| 5 | Bayer Leverkusen | 28 | 16 | 5 | 7 | 53 | 36 | 17 | 53 |
| 6 | Wolfsburg | 28 | 11 | 9 | 8 | 40 | 34 | 6 | 42 |
| 7 | Freiburg | 28 | 10 | 8 | 10 | 38 | 40 | -2 | 38 |
| 8 | Schalke 04 | 27 | 9 | 10 | 8 | 33 | 43 | -10 | 37 |
| 9 | Hoffenheim | 27 | 10 | 6 | 11 | 36 | 47 | -11 | 36 |
| 10 | 1. FC Köln | 27 | 10 | 4 | 13 | 43 | 49 | -6 | 34 |
| 11 | Hertha BSC | 27 | 9 | 7 | 11 | 39 | 48 | -9 | 34 |
| 12 | Augsburg | 27 | 8 | 6 | 13 | 40 | 54 | -14 | 30 |
| 13 | 1. FC Union Berlin | 27 | 9 | 3 | 15 | 32 | 47 | -15 | 30 |
| 14 | Eintracht Frankfurt | 27 | 8 | 5 | 14 | 44 | 52 | -8 | 29 |
| 15 | Mainz 05 | 27 | 8 | 3 | 16 | 36 | 60 | -24 | 27 |
| 16 | Fortuna Düsseldorf | 27 | 5 | 9 | 13 | 29 | 52 | -23 | 24 |
| 17 | Werder Bremen | 27 | 5 | 7 | 15 | 29 | 59 | -30 | 22 |
| 18 | SC Paderborn 07 | 27 | 4 | 6 | 17 | 31 | 55 | -24 | 18 |

# ডা. মোইরাংথেম ইবোমচা খল্লক্লে



ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস):
জীট কুনে-দো এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্টকী থৌ পুরিবা ডা. মোইরাংথেম ইবোমচাবু ৱর্ল্ড জীট কুনে-দো ফেদরেসনগী টেক্নিকেল কম্মিটিগী মেম্বর ওইনা খল্লক্লে। ৱাফম অসি ঙসি এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিগী থৌসু পুরিবা জীট কুনে-দো মার্সেল আর্টস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্টকী থৌ পুরিবা ইবোমচা খল্লকপদা ফোঙদোরকপনি।

# সাইনা চহী ৬৫গী মথক্তা লৈবা কোচশিংদা অথিংবা থমখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ২৭ (এজেন্সী):
স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা তোঙান তোঙানবা লৈবাক অসিদা লৈরিবা স্পোর্টস ফেদরেসনশিংদা লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী মায়কৈদগী পীরকপা চৎন-কাঙলোনশিংগী মতুংইন্না শান্নবগী ওইবা ষ্টেদিয়মশিং অমদি ত্রেনিং ফেসিলিটিশিং হাংদোকপগী অয়াবা পীখ্রবা মতুং মশাগী চহী ৬৫ হেল্লবা কোচশিংনা থবক থৌরমশিং পায়খৎপদা অথিংবা থমখ্রে। মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী মায়কৈদগী পীরকপা কাঙলোনগী মতুংইন্না মশাগী চহী ৬৫ হেল্লবা মীওইশিং, অতোপ্পা লায়নানা নারবা মীওইশিং, মীরোল্লিবী নুপীশিং অমদি মশাগী চহী ১০ য়ৌদ্রিবা মীওইশিংনা য়ুমগী মপান্দগী থোক্তনবা পীখিবা কাঙলোনশিং অদুগী মনুং চন্না স্পোর্টসকী লম্দা কোচ ওইরিবা মশাগী চহী ৬৫ হেল্লবশিং অদুবুসু চেকশিন থৌরাং ওইনা থৌ পুহনবা য়ারোই হায়রি।

# আই ও সীনা ইন্দিয়ান ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট নরিন্দ্র বত্রবু ওলিম্পিক চেনেল কম্মিসনগী মেম্বর ওইনা খনখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ২৭ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট নরিন্দ্র বত্রবু ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কাউন্সিলগী মায়কৈদগী ওলিম্পিক চেনেল কম্মিসনগী মেম্বর ওইনা খনখ্রে।
হৌখিবা চহীগী জুন থাদা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী মেম্বর ওইনা খনখ্রবা ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা অমদি ইন্টরনেসনল হোকি ফেদরেসনগীসু প্রসিদেন্ট ওইরিবা নরিন্দ্র বত্রনা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী



মায়কৈদগী মহাকপু ওলিম্পিক চেনেল কম্মিসনগী মেম্বর ওইনা খল্লকপদা কম্মিটি অসিগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা থোমাস বেকতা থাগৎ ৱাহৈ ফোঙদোকখি।
ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট নরিন্দ্র বত্রনা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট থোমাস বেকতা থাগৎ ৱাহৈ পীখিবা চেরোল অদুদা মহাকপু ওলিম্পিক চেনেল কম্মিসনগী মেম্বর ওইনা খল্লকপা অদুদা হরাওবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মঙোন্দা শীন্নবা থবকশিং অদু মপূং ফানা পাঙথোক্কনি হায়বগী থাজবা পীখি।
মশাগী চহী ৬৩শুরবা নরিন্দ্র বত্রনা হোকি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টগী ফম চহী অনী পায়রবা মতুং এসিয়া হোকি ফেদরেসনগী প্রসিদেন্টকী ফমসু চহী ১০ পায়রম্লগা দিল্লি এন্দ দিষ্ট্রিক্ট ক্রিকেট এসোসিএসনগী ত্রেজরর ওইনসু কুমজা ২০০৩দগীনা ২০১৩ ফাওবা থৌ পুরমখি।
নরিন্দ্র বত্র ইন্দিয়াগী স্পোর্টসকী লম্দা য়াম্না মমিং লৈরবা মালেমগী অচৌবা স্পোর্টসকী লূপশিংগা অফবা মরী লৈবা লুচিংবা অমনি। মহাক্না ইন্দিয়াখক্তগী নত্তনা এসিয়াগী থাক্তা তোঙান তোঙানবা স্পোর্টসকী লূপশিংগী অচৌবা ফম পায়দুনা লাকখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়াগী ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্টকী ফম পায়দুনা লৈরিবনি।
ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্টকী ফম অসি পায়দ্রিঙৈদা ইন্টরনেসনল হোকি ফেদরেসনগী প্রসিদেন্টকী ফম অদু হৌজিক ফাওবা অয়েৎপা লৈতনা থবক পুদুনা লাক্লি।

# ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসনগী মায়কৈদগী শগোল মপুশিংদা মতেং পীখ্রে



ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস):
ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসনগী মায়কৈদগী থা অসিগী ২৪দা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ইকোপ পাৎতা পুন্দুনা থম্বা শগোল অনী মমিৎ থুগাইরম্বা অদুদা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা শগোল অনীগী মপুশিংদা লায়েংনবগী শেল অমদি হীদাক লাংথক্কী মতেং পীখ্রে।
ৱাফম অসি ঙরাং পাউচে অসিদা পীরকপদা মণিপুর পোনি এন্দ পোলো প্লেয়রস ৱেলফ্যের এসোসিএসননা থৌদোক অসিগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা পেন্দবা ৱাফম অদুগা ইরোয়ননা ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসনগী মতেং পীখিবা অদুগা পাউ পূনশিন্না ইখিবা অদুগী মহুত্তা ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসনগী মতেং পীখিবা অমদি মণিপুর পোনি এন্দ পোলো প্লেয়রস ৱেলফ্যের এসোসিএনগী মায়কৈদগী নুংঙাইতবা ফোঙদোকপা অদুগা তোঙান তোঙান্না হাপকদবনি।
পাউচে অসিনা এসোসিএসন অনীগী ৱারোল পূনশিনখিবা অদুদা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মণিপুরগী পোনি (মণিপুরগী শগোল) য়োকখৎনবা হোৎনবদা খুমাঙ চাওশিনবা ওইরসনু হায়না থল্লি।

# ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ক্লবশিংগী অয়াবগী মতুংইন্না লেপখিবা লীগকী মেচশিং হৌদ্রিঙৈ কোন্টেক ত্রেনিং হৌগদৌরি



লন্দন, মে ২৭ (এজেন্সী) :
মালেমগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী তোঙান তোঙানবা ক্লবশিংগী মেম্বরশিংনা ঙসি লেপ্পখিবা ৱারেপ অমদা লীগ অসি কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা লোইশিনবা ঙমহৌদনা লেপখিবা মেচশিং অদু মখা তানা শান্নবা ঙম্নবগীদমক ক্লবকী শান্নরোয়শিং কোন্টেক ত্রেনিং চঠবা য়াহনগদৌরি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।
নীংশিংবা য়াই, ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ওইনা চৎলিবা চহী অসিগী মার্চথাগী লোইরমদাইদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা হান্না লোইশিলহৌদবা লীগ অসিগী মেচশিং য়ৈথোক্তুনা লাকখিবনি।
ঙসি প্রেমিয়র লীগ অসিদা শরুক য়ারিবা ক্লবশিংগী ওফিসলশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা চৎলিবা চহী অসিগী জুন থাদগী ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী লেমহৌবা মেচশিং অদু শান্নবা য়ানবগীদমক ক্লব অসিনা মশা মশাগী স্পোর্টস ষ্টেদিয়ম অমদি ফেসিলিটিশিংদা কোন্টেক ত্রেনিং চঠবা য়াগনি হায়রি।
পনবা য়াই, হৌখিবা চয়োলদা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ক্লব খরা সোসল দিষ্টেন্সিং থম্বগা লোয়ননা শান্নরোয়শিং অদুনা মখোয় মখোয়গী ক্লব অমদি ত্রেনিং সেন্টরশিংদা মশীং য়ামদবা কাঙলূপ শেমদোল্লগা ত্রেনিং চঠবা হৌখ্রবনি।
ইংলেন্দগী লৈঙাক্লা মখা তানা পীরকপা এদভাইজরিগী মতুংইন্না ফুটবোল শান্নরোয়শিংগী ওইবা কাঙলোন্দা মশীং য়ামদবা ক্লবকী মেম্বরশিংনা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা মশা-মশাগী মফমশিংদা ত্রেনিং চঠরম্বা অদু নৌনা থোল্লকপা কাঙলোনগী মতুংইন্না ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা শান্নরোয় মশেল শোক্ল-শম্নদবগী কাঙলোন থমদুনা মখা তাবা ত্রেনিং চঠবা য়াগনি হায়বগী ৱারেপ ফোঙদোরকপনি।
ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা ৱারোল অসি লীগ অসিগী স্যের হোল্ডরশিং অমদি ক্লবশিংগী মপুশিংগা কূপ্না ৱারী শানরবা মতুংদা ভাবক য়াওদনা লীগ অসি মখা তানা চঠবা য়ানবগ থবক থৌরম লৌখৎলকপদা শান্নরোয়শিংনা অমগা অমগা নকশিন্নদনা শান্নবগী মতম লেপ্পা হৌরকপনি।
ইংলিস প্রেমিয়র লীগনা লেমহৌবা মেচশিং অদু জুন থাদগী হৌবা য়ানবা অকনবা খোঙথাং লৌখৎলি। মরক অসিদা শান্নরোয়শিং অদুনা মখোয় মখোয়গী ক্লবকী স্পোর্টস ফেসিলিটিশিংদা মখা তানা ত্রেনিং চঠরকখিবা অদু লাম্থোক্তুনা ফিল্ডদা শান্নরোয় মশেল নকশিন্নদনা ত্রেনিং চঠবা য়াবগী অয়াবা ইংলেন্দ লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফংখি।

# অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড টিম টেনিস টুর্নামেন্টকী মেচশিংদা ভাবক ৫০০দগী হেনবা য়াদবগী কাঙলোন থমখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস):
ৱর্ল্ড টিম টেনিসনা অনৌবা খোঙথাং অমগা লোয়ননা মালেমদা থেংনরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ মায়থীবা পীবগা লোয়ননা চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই ৫দগী মশান্না অসিগী টুর্নামেন্টশিং পাঙথোকপা হৌরগনি। মদুদা ভাবক ৫০০দগী হেন্না তিনবা য়ারোই হায়না ফোঙদোরক্লি।



ৱর্ল্ড টিম টেনিসকী ওইনা নৌনা পায়খৎলকপা খোঙথাং অমগী মতুংইন্না নুপা অমসুং নুপী টেনিস শান্নরোয়শিংগী ওইবা লীগ টুর্নামেন্ট অমা য়ু এস এগী ৱেষ্ট বর্জিনিয়া ষ্টেটতা লৈবা গ্রীনব্রায়রদা জুলাই ৫দগী ইহান হানবা ওইনা টুর্নামেন্ট অসি হৌগদৌরিবনি। টুর্নামেন্ট অসিদা শান্নরোয়শিংনা লম্বা তৌনবদা ভাবক ৫০০দগী হেন্না ষ্টেদিয়ম অদুদা পূনবা য়াহন্দবগী কাঙলোন অমসু ঙরাং লেপ্পখিবা ৱারেপ অমদা ফোঙদোরক্লি।
কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা অচৌবা চৈথেং অমা পীদুনা লাকখ্রবা মতুং শান্নবগী লম্দসু চৈথেং ফংদুনা লাক্লি।
ৱর্ল্ড টিম টেনিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা ইনৌ নৌনা হৌগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসি শান্নরোয়শিং অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিংগী ওইবা তোঙান তোঙানবা হেল্থকী ওফিসলশিংনা পীবা চেকশিন থৌরাংশিং অদুগী চপ চাবা কাঙলোনশিং ইন্দুনা চৎকদৌরিবনি।
অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড টিম টেনিস টুর্নামেন্ট অসি চয়োল অহুম চঙনা শান্নদুনা মেচ ৬৩ পূন্না লৈগদৌরি। মেচ ৬৩ শান্নবা লোইরবা মতুংদা মকোক থোংবা টিমশিংনা প্লেওফ শান্নরবা মতুং চেম্পিয়ন ওইবা টিম অদুগী মশক মমিং লেপকদৌরিবনি।
য়ু এস এগী ৱেষ্ট বর্জিনিয়াদা লৈবা গ্রীনব্রায়র সিটিদা চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই ৫দগী হৌগদৌরিবা অহানবা ৱর্ল্ড টিম টেনিস চেম্পিয়নশিপ অদুদা গ্রীনব্রায়রগী ষ্টেদিয়ম অসিদা ভাবক ২৫০০ চনবগী কেপাসিটি লৈবনি। অদুবু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা পায়খৎলিবা চেকশিন থৌরাংগী মতুংইন্না মেচ শান্নরিঙৈ মনুংদা শুপ্নগী ভাবক ৫০০ খক্তমক মীৎয়েং তাহনগদৌরি।
টেনিসকী লম্দা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ মতুংদা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড টিম টেনিস টুর্নামেন্ট অসি টেনিস শান্নরোয় কয়াদগী অপেনবা ফোঙদোক্লরক্লি।
ৱর্ল্ড টিম টেনিসকী সী ঈ ও ওইরিবা কার্লোস সিলভানা ফোঙদোরকপদা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিংনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি শন্দারকপদা য়াওদনবগীদমক্তা লৌখৎপা খোঙথাংনা খ্বাইদগী মরু ওইবা ওইরি। হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসি পূন্না শেলগী মনা ওইনা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ৫ লৈগদৌরি। মদুগী মতুং প্লেওফ কম্পিটিসনশিংদা দোল্লর মিল্লিয়ন অমমম পীগদৌরি। টুর্নামেন্ট অসিগী মেচ খুদিংমক মমিং লৈরবা স্পোর্টস চেনেলশিংদা লাইফ টেলিকাষ্ট তৌগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com